# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর প্‌লিসনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অহুম ফারে।

২) নুমিৎ মরিনি চুপা চথরকপা অনিসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ২০২৫ ঙসি লোইশিল্লগনি।

অমসুং

৩) উত্তরাখন্দদা চথুরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপ্‌রনা ঙসি জিমাষ্টিক্কী মেদল রাউন্দ শান্নগনি।

------

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা জিলা অসিগী শঙ্গাইকোট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা জি.মোংলিয়ান ভিলেজদা আইন কায়না থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়- লম একর ৫ দা থারম্বা পোপি পান্বীশিং অদুদগী কানি কিলোগ্রাম ২৫ রোম লোক্লুবা য়াই।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাগামপাল কংজাবী লৈরক্কগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদুদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল হেন্দসেট অনি ফংলে। মীওই অসি নাগামপাল অমসুং উরিপোক্কী অকোইবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা য়ু.এন.এল.এফ (পান্বৈ)গী মীওই অনি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নরানকোনজিলদগী ফারে। ফারবা মীওইশিং অসি গ্রেতর ইম্ফাল এরিয়াগী মীয়াম, সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খায়বা, আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎশু খুৎলায়শিং লল্লোনবদা চেন্নবনি হায়রি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমসুং মোবাইল ফোন অনি ফাগৎলে।

ফিলম (এল)ঃ নুমিৎ মরিনি চুপা চথুরকপা অনিসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ২০২৫ ঙসি লোইশিল্লগনি। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিলম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট অনিনা খুৎশমদুনা শিনবনি। লোইশিনবগী থৌরম ইম্ফাল সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা পুং চোলোম, ফোল্ক নেরেটিভ অমদি বসন্ত রাস উৎকনি।

ভিজিৎ (এল)ঃ এম.এল.এ- এম. রামেশ্বরনা ঙরাং ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা লম্বীশিং শেমজিনবগী থবক চথুরিবা অদু য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শ্রী রামেশ্বরনা হায়- কেন্দ্র অসিগী লম্বীশিং মতম কুইনা চৎনবগীদমক পেভর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা শেমজিনবগী থবক চথুরিবনি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ হিদাক মনা শিজিন্নবগী অমাংবশিং মহৈরোইশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা নেসনেল তোবেক্কো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট তোবেক্কো কন্ত্রোল সেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা মহৈরোইশিংগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং হৈবোংপোকপী হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

জিবন (এল)ঃ জিবন হোস্পিতাল ককচিং লিংখৎখিবগী ১৪ রক শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং ককচিং লমদোংদা লৈবা হোস্পিতাল অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দ, হান্নগী মন্ত্রি অমসুং সেনিয়র সিতিজন ফোরম ককচিংগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম নিমাই শরুক য়াখি।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ইমেসিফ্রো ভিলেজ শেমখিবগী সিলভর জ়বিলি থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ- লোসি দিখোনা হায়- খুল অসিগী অফবা মগুনশিং মীয়ামা শিংথাবগা লোয়ননা মোদেল ভিলেজ অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। খুল অসিদা অহোংবা কয়া পুরক্কুনা চাওখৎ মাইকৈরোমদা চংশিল্লবা অসি থংনবা খুলশিংনা তমজনিঙাইনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নাৎকী ওইনা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

নোনে (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনে অমদি ইম্পেরিয়ম স্কিলস ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটনা পুন্না শিন্দুনা ইমপ্লোইমেন্ট লিঙ্ক কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম অমা নোনে জিলাগী লোইমাই পার্ট থ্রিদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা লমদম অদুগী তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি কলেজশিংগী মহৈরোই ৭০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এভিএসন, হোস্পিতালিতি, ওভর সিজ, ক্রিজ লাইনগী সেক্তরশিংগী মরমদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ নোংমগী ওইবা এন.এস.এস ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস) সেলনা শিন্দুনা ঙরাং য়ুনিভর্সিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে। স্বাচতা (ক্লিনিনেস) প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র শরুক য়াখি।

অমুকো (এল)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ৩২ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙরাং রিমসতা পাঙথোকখ্রে। ঙসি ফাওবা চত্থগদবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট

দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগা অমুকোগা খুৎশমদুনা শিনবনি। অনা লায়েংদা তঙাইফদনা চংলিবা ঈ খরদা ওইরবসু মেনখৎনবগী পান্দমদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

গেমসঃ উত্তরাখন্দদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা ঙসি জিমাষ্টিক্কী মেদল রাউন্দ অমদি ফেন্সিংগী অহানবা রাউন্দ শান্নগনি।

গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী ১২, লুপাগী ১২, শেঞ্জেংগী ১৪ পুন্না তকমান ৩৮ ফংদুনা ৮ শুবা মফমদা লৈরি।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্ডনা সনাগী ৪২, লুপাগী ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না পুন্না তকমান ৭১ ফংদুনা অহানবদা, অদুগা

করনাতক্কানা সনাগী ৩০, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৬ পুন্না তকমান ৫৮ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাষ্ট্রনা সনাগী ২৫, লুপাগী ৪২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪৬ পুন্না তকমান ১১৩ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

দিল্লি ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ফল লাউথোকখ্রে। মীখল অসিদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ ফংদুনা চাউনা মায় পাক্লে। আম আদমি পাতিনা সিট ২২ খক্তমক ফংলে।

চহি ২৭ গী রোমগী তুংদা আম আদমি পার্তিবু মায়থিবা পীদুনা দিল্লিদা বি.জে.পিনা অনৌবা সরকার শেল্লগনি।

কংগ্রেস ঃ ইন্দিয়ান আর্ট হিষ্ট্রি কংগ্রেসকী ৩২ শুবা মীফম ঙরাংদগী নোইদাদা হৌখ্রে। নুমিৎ হুমি চত্থগদবা মীফম অদু কেন্দ্রগী কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হৌদোকখি। মীফম অসিগী কুমশি চহিগী থিমদি-রেন্দরিং ওফ ইন্দিয়ান ইপিক্স ইন আর্ট এন্দ কলচর হায়বসিনি। মসিদা ইপিকশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী আর্টিষ্টিক এক্সপ্রেসনশিং উৎকনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লম্বীদগী গভর্নর দিল্লি য়ৌশিনখ্রে, চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেনসু ঙরাং নুমিদাং দিল্লিদা চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা পাউ ওইরি।

এম.এল.এ ৬ কী দিসক্কালিফিকেসন হিয়ারিং জজমেন্ট রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাডচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

এসেমব্লিদা নো কনফিদেন্স মোসন থাংগৎনবা অমসুং শৌগৎনবগী থৌরাং পুমমক লোইখ্রে। মীফম হৌদ্রিঙৈদা সেন্তরগী লুচিংবশিংনা করি তৌরক্কদগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী বেন্নর হেদলাইন ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদনা সি.এম. বিরেন্না লুচিংবা মীওই ৬ চার্টর ফ্লাইট অমদা দিল্লি পাংখ্রে, দিল্লি চৎত্রিঙৈ মমাংওইননা নো কনফিদেন্সকী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা বেন্নর হেদলাইন ওইরি।

দিল্লিদা চহি ২৭ কী মতুংদা বি.জে.পিনা এসেমব্লি মীখলদা এবসুলুট মেজোরিতি ফংখ্রে, বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাকপগী হরাউবা ফোংদোকপদা শরুক য়ানবা সি.এম. বিরেন দিল্লি পাংখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুর নিউজগী বেন্নর হেদলাইন ওইরি। মসিগা মান্নবা পাউশিং অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংবা থেংনরি।

ষ্টেট অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা সরকারনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি, পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা পোনি ৫০ দগী তাদনা থমবা খন্নরি- সি.এম. বিরেন হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী লান্মী শংলুপ এম.পি.এগী ৩৮ শুবা মপোক কুমওনগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি অমদি কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী লান্মী শঙলুপ এম.পি.এগী ৩৮ শুবা মপোক কুমওনগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লিবা হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাডচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংবা

থেংনরে। অপুনবা পাঙ্গল শাগৎপদা মীয়ামনা থৌদাং লৌবীয়ুঃ কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফ অমসুং মণিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপান্বগী ৱাংমদা চৎলোইঃ পাম্বেনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফ হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লৈঙাক মনুংদা শোকরিবা লান মৈহৌরে, তোঙান তোঙানবা মীফম পাঙথোকখ্রে, চীফ মিনিষ্ট বিরেন দিল্লিদা পাইশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সরকারনা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এল.এ ৬ কী দিসক্কালিফিকেসন কেসকী ৱারেপ রিজার্ভ তৌখ্রে, এম.এল.এ ১১ গী মরাইবক স্পিকরগী খুৎতা লৈরে হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওহরি।

-------